এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা জমশেদপুর এফ সীগা দ্রো চৎতুনা আই এস এলদা অহানবা ওইনা পোইন্ট ১ ফংখ্রে

11 Dec, Friday (23rd Match)
ATK-Mohun Bagan
vs
Hyderabad FC
Time : 7:30 PM

এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমদি জমশেদপুর এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল মুন্নবা

ভাস্কোদাগামা, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তরেৎশুবা এদিসনদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা ঙসি গোৱাগী ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা জমশেদপুর এফ সীগা শান্নখিবা লীগ অসিগী ২২শুবা মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবা মতুং টিম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইবা অহানবা পোইন্ট অদু ফংবা ঙমখ্রে।

মমাংদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল মেটচ ৩ শান্নখিবদা অহুম্মক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা লাকখিবনি। অমরোমদা, টিম অদুগা ঙসি লম্বা তৌনখিবা জমশেদপুর এফ সীনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৪দা মেটচ অমা মায় পাক্লগা, মেটচ অনী দ্রো চৎলবা মতুং অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মায় পাক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মদুদা টিম ১১না লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মমৈদা লৈরিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা মায় পাক্তবা য়াদবগী খোঙজং অদু অকনবা মওংদা চঙশিল্লকখি।

জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা পুশিল্লকখিবা এটেকশিং অদুবু য়াম্না কাঙলোন চুম্না ঙাকথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চলহনবা ঙমখিদে। অমরোমদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্দুনা হান্না লৈরম্বা আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী থাক অদু ৱাংখৎনবা হোৎনদুনা শান্নরকখিবা জমশেদপুর এফ সীগী এটেকশিং অদুসু মায় পাকপা ঙমদনা মেটচ অদু ০-০দা দ্রো চৎখি।

Pos	Team Name	P	W	D	L	F	A	GD	PTS
1	Mumbai City FC	5	4	0	1	8	2	6	12
2	Northeast United FC	5	2	3	0	8	5	3	9
3	ATK Mohun Bagan FC	4	3	0	1	5	2	3	9
4	Bengaluru FC	4	1	3	0	5	4	1	6
5	Jamshedpur	5	1	3	1	6	6	0	6
6	FC Goa	4	1	2	1	6	5	1	5
7	Hyderabad FC	3	1	2	0	2	1	1	5
8	Chennaiyin FC	4	1	1	2	3	4	-1	4
9	Kerala Blasters FC	4	0	2	2	3	6	-3	2
10	Odisha FC	4	0	1	3	2	6	-4	1
11	East Bengal Club	4	0	1	3	0	7	-7	1

কোভিদ-১৯ মরক্তা ট্রেনিং ফংখ্রবা মতুং মখা তানা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা চেকশিন্না লৈবা মথৌ তাই : চিংলেনসনা

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র হোকি টিমগী মিদফিল্দর অমা ওইবতা নৎতনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা কাঙুজম চিংলেনসনানা ফোঙদোকখিবদা, মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীরিবঙৈ মনুংদা ইন্দিয়াগী ওইনা নুপাগী হোকি শান্নরোয়শিংনা চেকশিন্না ট্রেনিং কয়া চথখ্রবা মতুং মখা তানা শান্নরোয়শিং অদুনা ট্রেনিং লোইরবা মতুং ব্রেককী মতমদা লায়না লাইচৎ অসিদগী লাপথোক্লা লৈবা মথৌ তাই হায়খ্রে।

হোকি ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী লোকদাউন লৈরুরবা মতুং কোমথোকপা খরা থল্লকপগী মনুং চন্না টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিমনা কোচিং কেম্প চথরকখিবা অদু লোইশিল্লকপগা মরী লৈননা টিম অসিগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অমদি ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা কাঙুজম চিংলেনসনানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, শান্নরোয়শিং অসিনা কোচিং/ট্রেনিং কেম্প লোইশিল্লক্লবা মতুং ব্রেক লৈবা মতমদা মশা-মশাগী যূমদা হনবগী খূদোংচাবা অমা পীরকপা অসিদা লৈঙাক অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা থল্লিবা এস ও পি (ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর) ঙাক্লা চৎতুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী লাপথোক্লা লৈনবগী ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোকখি।

কোচিং/ট্রেনিং কেম্প অদুদা টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা পীখিবা অকনবা চেকশিন থৌরাং অদু মখা তানা শান্নরোয়শিং অদুনা মশা-মশাগী যূমদা মতম খরা ব্রেক পীবগী কোমথোকপা অসিদা কোভিদ-১৯গী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি চেকশিন্না চৎপা মথৌ তাই হায়খি। ট্রেনিং/কোচিং কেম্প মনুংদা মীওই অমত্তগা উনদনা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং অদুনা কোভিদ-১৯দগী লাপথোক্লগা ইন্দিয়াগী হোকি মশান্না অসিবু হেন্না ফগৎনবা অমদি ওলিম্পিক্সতা মেদল ফংনবগী পান্দমদা হোৎনখিবা পুন্নমক অসি শান্নরোয়শিংনা ব্রেক মতমদা মখোয়-মখোয়গী যূমদা অমদি লৈফমদা মখা তানা এস ও পি ঙাক্লা চৎতুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২১গী টোকিও ওলিম্পিক্স গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী হোকি টিমনা মকোক থোংবা ঙম্নবগীদমক হোৎনমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ইন্দিয়াগী ফিট ইন্দিয়া খোঙজংবু চাওনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎলকপা লৈবাক শীনবা থুংবগী ওইবা মীপূম খূদিংমক হকচাং ফনা লৈতবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা লৌখৎখিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্টকী খোঙজং অসিবু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

দব্লিয়ু ঐচ ওগী ত্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা হকচাং ফনা লৈনবা নোংমদা পুংখায় অমা শাজেল তৌ হায়বা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী কেম্প্যেন অসিবু মালেম শীনবা থুংনা পায়খৎপদা কান্নবা ফংগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ য়ুঠ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা মমাংদা চথদুনা লাকখিবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক অসিগী হীরম কয়াগী মমিং লৈরবা মীওইশিং য়াওনা নোংমদা পুংখায় অমা শাজেল তৌবগী কান্নবা অদু ফংননবা হৌদোকখি। ফিল্মগী লম্দা লৈরিবা মমিং লৈরবা এক্টরশিং, মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং, অইবশিং, ফিজিসিয়নশিং, শাজেলগী লম্দা এক্সপর্ট লৈরবশিং অমদি মীয়াম্না খঙনরবা মীওই কয়াগী মায়কৈদগী অচৌবা মতেং অমা ফংখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী অসিগুম্বা হকচাং ফনা লৈনবগীদমক পায়খৎলকপা খোঙথাংশিং অসিবু থাগৎপা ফোঙদোরকপনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয়, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখ্রবী অমদি ওলিম্পিককী মেদলসু ফংবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতগী ফোঙদোরকপা ৱাফমদা, হকচাং ফনা লৈবা অসিনা মীওই অমগী পূন্সিদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরিবনি। চথরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হৌদোরকপা ফিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অসিনা মীওই পুন্নমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন থম্বগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈবসু ঙমগনি হায়খি।

অমরোমদা, মমিং লৈরবা অইবা চেটন ভগটনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা মীওই অমগী হকচাং ফনা লৈবা অসিনা মখা তানা মীওই অদুনা হিংবগী লম্বেলদা লায়না লাইচৎ চঙহন্দনবা অমদি তুং-কোইনা হিংবদা কান্নবা কয়া পীগনি হায়খি।

লাইফষ্টাইল অমসুং ৱেলনেসকী এক্সপর্ট ওইরিবা লুক কোটিনোনা মহাক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা মীওই অমনা নোংমদা পুংখায় অমা শাজেল তৌবা ঙম্লবদি মশাগী মখা তারকপা পূন্সি লম্বেলদা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈ হায়খি।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড কপ গোল মেদলিষ্ট শুটর অপুর্ভি চান্দেলানা ফোঙদোরকখিবদা, নোংমগী ওইবা থবক খরা তৌদুনা তুংদা লাক্কদবা মতমগীদমক অফবা লম্বেল অমা শেম্বা মথৌ তাই হায়খি। মহাক্কী মায়কৈদগী নোংমদা পুংখায় অমা শাজেল তৌবনা হকচাংগী ওইবা কান্নবা কয়া অমা পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফিটনেস মুভমেন্ট অসিদা মতেং ওইনা থাগৎপা অমদি তুংদা মীয়াম্না কান্নবা ফংগদবা ৱাখল্লোন ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা ওলিম্পিক্স ব্রোঞ্জ মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা রেষ্টলর সুশিল কুমার, শুটিংগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবা গগন নারং, মমাংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় ওইরম্বা সুরেশ রাইনা, পেরালিম্পিক্স সিলভর মেদলিষ্ট দিপা মালিক অমদি অতোপ্পা কয়ানসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

নেমারগী হেটট্রিকনা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ক্লবনা টর্কিগী ফুটবোল ক্লব ইষ্টানবুল বাসাকসেহিরগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৫-১দা মায় পাকপা ঙমখ্রে

টর্কিগী ইষ্টানবুল বাসাকসেহিরগী মায়োক্তা হেটট্রিক চনবা ঙমখ্রবা পি এস জিগী নেমার (ময়াই)

পেরিস, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী মমাংদা ওফিসলগী মায়কৈদগী ৱাহে-ৱাতা ফজদবনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখিবা গ্রুপ ঐচকী মেটচ অমদা ঙরাং অথেংবদা পেরিসকী পার্ক দেজ প্রিন্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ব্রাজিল মচা নেমারনা চনখিবা হেটট্রিকনা অচৌবা মতেং ওইরগা টর্কিগী ইষ্টানবুল বাসাকসেহির ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

নেমারনা শরুক য়ারিবা পেরিস সেন্ট জর্মেন গ্রুপ ঐচতা মেটচ ৬ শান্নবদা পোইন্ট ১২ ফংবগা লোয়ননা টিম অসিগা চপ মান্নবা পোইন্ট ১২ ফংলিবা জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগকা পোইন্ট মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা ঙরাংগী মেটচ অদুনা চাওনা মতেং ওইরগা মকোক থোংবা ঙমদুনা চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী নোকআউট ষ্টেজদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। জর্মনিগী টিম অদুসু নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি।

পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং ইষ্টানবুল বাসাকসেহিরগী মেটচ অদুগী হৌরকপা ২১শুবা মিনটতা নেমারনা টিমমেট মার্কো ভেরাটিগী সপ্লাই অমদা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী ৩৮শুবা মিনটতা পি এস জিগী কিলিয়ন মাপেনা পীরকপা বোল অমদা নেমারনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইষ্টানবুল বাসাকসেহিরবু পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা পি এস জিগী অতোপ্পা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংখিবগী খূদোংচাবা অদু কিলিয়ন মাপেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হাফ লোইশিল্লকপদা ৩-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা অহেনবা খূদোংচাবা ফংদুনা এটেক চথবা ঙল্লকখিবা পেরিস সেন্ট জর্মেন (পি এস জি)গী মায়কৈদগী অজেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা খায়রকখিবা বোল অমদা ব্রাজিল মচা নেমারনা মহাক্কী হেটট্রিককী ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ৪-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা ইষ্টানবুল বাসাকসেহিরগী মায়কৈদগী ইর্ফান কাবেচিনা পীরকপা বোলদা মেমেট টোপালনা শোথখিবা পাঞ্জল মরিগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা পি এস জিগী এঞ্জেল দি মারিয়ানা পীরকপা অতোপ্পা বোল অমদা কিলিয়ন মাপেনা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইষ্টানবুল বাসাকসেহিরবু ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মাঙজৌননা নোকআউটকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিকনা রসিয়াগী লোকোমোটিভ মোস্কোবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি। হায়রিবা গ্রুপ অসিমক্তদা শরুক য়ারিবা স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদনা ওষ্ট্রিয়াগী রেদবুল সালজবর্গপু ২-০দা থোইরগা মখোয়সু লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী নোকআউট ষ্টেজ য়ৌখি।

গ্রুপ বিদা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদনা ঙরাং শান্নখিবা তরুকশুবা মেটচতা জর্মনিগী বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগপু ২-০দা থোইরগা মখোয়সু নোকআউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। রিয়াল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনীমক কারিম বেঞ্জিমানা চনখিবনি।

গ্রুপ সীগী ঙরাং শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দগী মেটচতা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ফ্রান্সকী মার্সেলবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ সীগী ওইনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মকোক থোংলগা নোকআউট ষ্টেজ গীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা পোর্টুগলগী ক্লব পোর্টোনা গ্রিসকী ক্লব ওলিম্পিয়াকোসপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না মেটচ ৬তা পোইন্ট ১৩ ফংলগা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মথংদা অনীশুবা তাদুনা নোকআউট ষ্টেজগী ক্বালিফাই ওইখি।

কোভিদ-১৯গী চেকশিন কাঙলোনশিংনা চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা কান্নবা পীরগনি : বিবিয়ানো

ইন্দিয়াগী নুপাগী চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিংবু লমজিং-লমতাক্লিবা বিবিয়ানো

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): হৌখিবা চহীদা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী চহী ১৫ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)গী চহী ১৬ মখাগী চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়িংদা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপামচাগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা গোৱাদা নৌনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কেম্প অসিদা লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ-১৯গী কাঙলোনশিং অসিনা কান্নবা পীরগনি হায়না টিম অসিগী কোচ ওইরিবা বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখ্রে।

কোচ ওইরিবা বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা মখা তারকখিবদা, চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিং অসিদা গোৱাদা অমত্তা ওইবা টিম অমগী শক্তম অদু উৎপা ঙম্নবগীমক লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা চথগদৌরিবা ট্রেনিং কেম্প অসি মপূং ফানা শরুক য়াহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ হায়খি।

কোচ বিবিয়ানোনা মখা তাখিবদা হৌখিবা চহীদগী ইন্দিয়াগী ওইনা এসিয়াগী থাক্তা পাঙথোকপা চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা মালেমগী থাক্তা মকোক থোংবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাক অমগী শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা থবক চঙশিল্লকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, কোচ বিবিয়ানোনা কুমজা ২০১৯দগী হৌরগা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোয়শিংগী কোচ ওইদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী শিনফম অদু তোঙান-তোঙানবা শান্নরোয়শিংনা মতীক চাবনি অমদি তুং-কোইনা কোচ ওইবগী থৌদাং লৌহন্নিংই হায়খি।

নুমীৎ ৪২ চুপ্না চথরকখিবা নেসনল টেবল টেনিস কেম্প লোইশিনখ্রে

Organized by: Table Tennis Federation of India

ইন্দিয়াগী ওইনা টেবল টেন্নিসকী লম্দা লুচিংবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা সরাথ কমালনা ফোঙদোকখিবদা মতম শাংনা শান্নরোয় অমগা মায়োক্লদুনা শান্নবা ঙম্লুদ্রবা মতুং হান্না লৈরম্বা অহাঙবা মফম খরা মেনশিনবা ঙল্লে হায়খি।

সোনিপট, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): হরিয়ানাগী সোনিপট সিটিদা লৈবা দেল্লি পব্লিক স্কুলদা পাঙথোরকখিবা ইন্দিয়াগী সিনিয়র নেসনল টেবল টেন্নিস কেম্প নুমীৎ ৪২ চুপ্না মপূং ফানা পাঙথোরক্লবা মতুং থা অসিগী ৮দা লোইশিনখ্রে।

থা ১ হেন্না পাঙথোকখিবা সিনিয়র নেসনল টেবল টেন্নিস কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা পীখিবা চৈথেংনা লোকদাউন লৈরুরবা মতুং শান্নবগী হীরম খূদিংমকসু অকায়বা পীরকখিবা অদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কোমথোকপা খরা লাকখিবদগী অসিগুম্লবা সিনিয়র নেসনল টেবল টেন্নিস কেম্প পাঙথোকপা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি হায়খি।

নেসনল টেবল টেন্নিস কেম্প অদুনা খায়দোক্লগা শান্নবদা নৎতনা ফিটনেস অমদি জিমদা তোঙানবা মতম খরা খায়দোক্তুনা মশা কনখৎনবগী পান্দমদা ট্রেনিং কয়া চথখি।

হায়রিবা কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় ৪২ অদুনা অয়ূক অমদি নুংথিলগী সেসন অনী

সরাথ কমালনা মখা তাখিবদা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী লৌখৎলকখিবা খোঙথাংশিং অসি থাগৎনিংঙাইনি। লোয়ননা ফেদরেসন অসিনা মখা তানা নেসনল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্কদৌরিবা অমদি মদুগী মখা তারকপদা কেদেট কেটগোরিদগী হৌরগা সিনিয়রগী থাক ফাওবদা হরিয়ানাগী সোনিপট অমসুং ইন্দোরগী অভে প্রাসল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিং অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমনা কান্নবা ফংবা অদুদা হরাউবা ফোঙদোকখি।

চাইনাদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ইন্দোর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ কুমজা ২০২৩ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): চাইনাগী সিটি নান্‌জিংদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ মখা তানা য়ৈথোক্তুনা কুমজা ২০২৩গী মার্চ থাদা পাঙথোক্লনবা শেম শাখ্রে।

ৱর্ল্ড এথলেটিক্স ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ অদু নান্‌জিংদা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১৩দগীনা ১৫ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু লৈরিবা লাইচৎ অসিগী ফীভম কুপ্না নৈনরুরবা মতুং কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌনখি।

মালেমগী স্পোর্টসকী গভর্নিং বোদিনা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ঙসি লৌখিবা ৱারেপ অমদা চাইনাগী নান্‌জিংদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ অদু কুমজা ২০২৩দা পাঙথোক্লবা ৱারেপ লৌখি।

ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা ৱারোলদা চাইনাগী নান্‌জিংদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স ইন্দোর চেম্পিয়নশিপ অদু সর্বিয়াগী সিটি বেলগ্রেদতা ২০২২দা পাঙথোক্লবা মতুং চাইনাগী সিটি নান্‌জিংদা পাঙথোক্লনবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সনা ফোঙদোরকখি।

ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা এথলিটশিং অমদি টেক্নিকেল ওফিসলশিংগী শাফবা মওংদা শান্নবা অসি পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা অহেনবা রিস্ক লৌদনা চাইনাগী নান্‌জিংগী চেম্পিয়নশিপ অসি কুমজা ২০২৩গী মার্চ থাদা পাঙথোক্লনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

ইন্টরনেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোলদা, শান্নরোয়শিং অমদি চেম্পিয়নশিপকী য়ূম্বু ওইগদৌরিবা লৈবাকশিংগী থৌনা অদু থাগৎখি।

আই সী সী ৱান দে রেঙ্কিংদা ভিরাট কোহলিনা মকোক্তা লৈরি

দুবাই, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী বেটসমেনশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মকোক থোংদুনা লৈরি।

ভিরাট কোহলিনা মকোক-মথং তাবগী পরিং অসিদা মকোক্তা লৈবা ঙমখিবা অসি হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়াদা লোইশিনখিবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজদা মহাক্কী মায়কৈদগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা মেটচতা মথংশিংনা রন ৪৯ অমসুং ৬৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা অচৌবা মরম অমা ওইদুনা পূন্না পোইন্ট ৮৭০ ফংখিবনি।

ভিরাট কোহলিগী মথংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্মানা পূন্না পোইন্ট ৮৪২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা পাকিস্থানগী কেপ্টেন বাবর অজমনা পোইন্ট ৮৩৫ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরি।

বেলজিয়মনা নুপাগী ফিফা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী অহুম্লকশুবা ওইনা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙমখ্রে

জ্যুরিক, দিসেম্বর ১০(এজেন্সী): ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা নৌনা লাউথোরকখিবা মালেমগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা বেলজিয়মনা চহী ৩ থংননা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

বেলজিয়মগী টিম অসিনা মমাংগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা ফ্রান্সতগী হেন্দুনা ঙসি অঙনবা থোকখিবা ফিফাগী মকোক-মথং তাবগী লিষ্ট অদুদা চহী অহুম থংননা মকোক ওইবা ঙল্লিবনি।

ফিফাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ফ্রান্সনা অনীশুবা থাক্তা লৈরগা, ব্রাজিল অমসুং ইংলেন্দনা মথংশিংনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি।

মমাং চহীগী য়ুরোপিয়ন নেসন্স কপকী চেম্পিয়ন পোর্টুগলনা মঙাশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। লোয়ননা স্পেন অমসুং অর্জেন্টিনানা মমাং চহীদা লৈরম্বা থাক অদুদগী কাখল অনী হাইগৎপা ঙমদুনা মথংশিংনা তরুকশুবা অমদি তরেৎশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি। হঙ্গেরিনা থাক ১২ হাইগৎলগা ৪০শুবা পোজিসনদা লৈরকপা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com